# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses



এম এল এ লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা শাবা ক্রিমেটোরিয়ম কমপ্লেক্স কম কম্যুনিটি গার্দেন এম পি সী বিগী চেয়রমেন এল রাধাকিশোরনা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখিবা

লামায় ৪

ইমোইনু গ্যাস এজেন্সীগী ওফিস এম এস এফনা ছো লোনশিনখ্রে
☛ লামায় ৫

ম্যান্মারদা মিলিটরি জুন্টা লাকখ্রবা মতুংদা শিখিবা মশীং ৫৬৪ শুখ্রে
☛ লামায় ৮

দিষ্ট্রিক্ট অনীদা খুৎ থিংজিল্লক্তনবা খঙহল্লক্লি
☛ লামায় ৪

ইপাথৌকোক্না কোম্বীরৈ ফেষ্টিভেল পাঙথোক্কদৌরি
☛ লামায় ২

জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) হোস্পিটালদা এদভাইজর টু সী এম (হেল্থ) ডা. সাপম রঞ্জন কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপখিবা



লামায় ১

Vol. 45, Issue No. 011 | লৈবাকপোকপা, লমতাগী ২৫ নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, April 06, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## পি এমনা হয়েং মহৈরোই, ওজা, মমা-মপাশিংগা ৱারী শানগদৌরি

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী) :
য়ুমশকৈশা নুমিত্তা 'পরিক্ষা পে চর্চা' পাঙথোকপগা লোয়নন প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ভিদিও কনফরেন্সকী খূৎথাংদা মহৈরোই, ওজা অমদি মমা-মপাশিংগা ৱারী শানগদৌরি। ইগজাম নকশিল্লকপগা মরী লৈননা এপ্রিল ৭তা ক্লাস নাইনদগী ত্বেল্ভ ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোইশিংগা ৱারী শাননবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়না ত্বীটরগী খূৎথাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

ত্বীটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌখিবা চহী অমরোম কোরোনাভাইরসকী চৈথেং ফংদুনা লাক্লবা মহৈরোইশিংনা মহৈ-মশিন তম্বদা মায় ওনশিন্দুনা মীকোকথোংবা ঙম্লবা হোৎনগদবনি। মরূপ-মপাং ওইবগী মওংদা মহৈরোই, মমা-মপা অমদি ওজাশিংগা ৱারী শাননবা 'পরিক্ষা পে চর্চা' হায়বা থৌরম অসি পাঙথোক্কদবনি। মমাংথাদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ওনলাইনদা মহৈরোই, মমা-মপা অমদি ওজাশিংগা ৱারী শানগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রে। খ্বাইদগী ইহান হানবা ওইনা কুমজা ২০১৮গী ফেব্রুৱারীদা দেল্লিগী তলকাতোরা ষ্টেদিয়মদা 'পরিক্ষা পে চর্চা' পাঙথোক্লুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা স্কুল অমদি কোলেজ তম্লিবা মহৈরোইশিংগা ৱারী শানখিবনি।

## মশাগী নোংমৈনা কাপশিঞ্জদুনা শীজখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস) :
ঙসি নুংথিল পুং ১.৪৫ রোম তাবা অদুৱাইদা মোরেদা লৈবা ৪৩ অসাম রাইফল্সকী পার্সনল অমা মশাগী সর্ভিস রাইফলনা কাপশিঞ্জদুনা শিখ্রে। লৈখিদ্রবা অসাম রাইফল পার্সনল অদুদি হাভিলদার বিষ্ণুপ্রসাদ খনাল (৪৭) রাইফলমেন নম্বর ৯২৫০১৫৪৩ এননি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মোরে পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে। অশিবা হকচাং অদু পোষ্টমোর্টেমগীদমক ইম্ফালদা পুরকখ্রে হায়রি।


HL Poll

Q: Covid-19gi laichat lakshinba leibakki mapham pumnamakta amuk hanna lockdown thamba mathou tare haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Mayai kaba chinjak pumnamak maru fangna manghannaba leingakna loukhatliba thourang khumang chaoshilli haina khanbra?

Yes 11% No 89%


**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা ৩৪.৬৪ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১০.৮৯ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.০২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**অস! লোইরেহে!**

- মন্ত্রিনদি ইশানা ইশাবু থবক পীজরসি হায়রি !



- ভায়, ঐখোয়নবু ইশানা ইশাবু করি থবক্লো পীজদৌরিসে?

## জিরিবাম-তুপুল-ইম্ফাল রেলৱে লাইন

# মণিপুরদা নোর্থইষ্টকী খ্বাইদগী শাংবা রেল টনেল চহী অসিগী মনুংদা উবা ফংলবা য়ানা লৈরে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস):
নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱে কন্সত্রক্সন ওর্গনাইজেসনগী মীৎয়েং মখাদা জিরিবাম-তুপুল-ইম্ফাল রেলৱে লাইন শেন্স্বগী থবক খুম্মাং চাউশিন্না চঙশিল্লি। মণিপুরদা নোর্থ ইষ্টকী খ্বাইদগী শাংবা রেলগী টনেল চহী অসিগী মনুংদা মপুং ফানা উবা ফংলবা য়ানা লৈরে।

কিলোমিটর ১১১ শাংবা জিরিবাম-তুপুল-ইম্ফাল রেলৱে লাইন অসিদা টনেল ৪৫ লৈবগী মনুংদা নোর্থ ইষ্টকী ওইনসু খ্বাইদগী শাংবা টনেল অমা ওইরিবা টনেল নম্বর ১২ হুৎপগী থবক হৌজিক য়াম্না কন্ন চথুরি। টনেল অসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টকী তায়নবদা চেল্লিবা ইজাই তুরেল মপালদগী হৌরগা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মাক্লংদা ফাওদোরক্কদৌরিবনি। টনেল অসিগী অশাংবনা কিলোমিটর ১০.২৮০ নি।

হীরমসিগা মরী লৈননা পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়, নোর্থ ইষ্টকীসু খ্বাইদগী শাংবা টনেল অমা ওইরিবা তুপুলদগী ইম্ফাল ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা টনেল নম্বর ১২ হুৎপগী থবক অসি হৌজিক তঙ্খায় চল্লক্লে। টনেল অসি মায়কৈ অনীমক্তগী হুৎপগী থবক চথুরি। হৌজিক ফাওবদা চাউরাক্না কিলোমিটর ৫ হেন্না হুৎপা লোইরে। নোংমদা নাকল অমমমদগী মিটর ৩দগী ৫ ফাওবগী চাংদা হুৎপগী থবক চথুরি। টনেল অসি মপুং ফানা হুৎপগী থবক চহী অসিগী মনুংদা লোইশিন্নবসু পান্দম থল্লি। টনেল অসিনা জিরিবাম-তুপুল-ইম্ফাল রেল লাইনগী ইরোয় লোইবা টনেললনি।

রেল টনেল অসিগা মিটর ৫০ রোম লাপ্পনা পেরেরেল/এস্কেপ টনেলসু হুৎপগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা টনেল হুৎপগী থবক অসি মতম খরা পন্থরুরবসু হৌজিক্তি খুম্মাং চাউশিন্না চথুরি। জিরিবাম-তুপুল-ইম্ফাল রেলৱে লাইন অসিগী আর্থ ৱার্ক, লেভেলিং, ফিল্লিং অমদি ট্রেক থাবগী থবক হৌজিক য়াম্না কন্না চথুরি। মসিগীসু মথক্তা খোংশাং অমসুং তুপুলদা লৈগদবা রেলৱে
...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## 'লাই হরাওবদা লাইগী থৌরম খক্তমক পাঙথোকপীয়ু'

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস):
কোভিদ-১৯গী ফীভম কা হেন্না লুশিল্লকপা মরম্না লাই হরাওবদা লাইগী ওইবা থৌরম খক্তমক পাঙথোকপীয়ু হায়না উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী মাইচৌ পুরেল প্রোফেসর এন জি কাংজিয়া মঙাংনা ফোঙদোকখ্রে।

উত্রা শঙলেনদা পাঙথোকখিবা পাউ গী মীফম অমদা মহাক্না হায়খি, মহৌশাদগী লমদম অসিদা শজিবুদগীনা ইঙা ফাওবদা লাই হরাওবগী থৌরম পাঙথোক্লে। মফম খরদা লাই হরাওবগী থৌরম পাঙথোকপা য়াওনরে। ইন্দিয়াগী ওইনা ষ্টেট খরদা কোভিদ-১৯গী ফীভম কা হেন্না লুশিল্লকপদগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলকপগা লোয়ননা কর্ফিয়ুগী অথিংবা ফাওবা থম্লরে। মণিপুরগী ওইনসু লায়না-লাইচৎ অসিগী ফীভম লুশিল্লকপা য়াবা মরম্না লাই হরাওবদা চেকশিনহৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

মীপুম খূদিংমক ফেস মাস্ক উপ্পগা লোয়ননা মীওইবা মশেল ফুট ৬ লাপ্পনা লৈগদবনি। লাইমাং ফম্বদা তঙাইফদনা মাস্ক লৌথোক্লবসু অতৈ অতোপ্পা মতমশিংদদি মীপুম খূদিংমক তঙাইফদনা মাস্ক উপ্পা মথৌ তাই। লাইগী অথেনপোৎ কৎপা লাকপশিংসু মাস্ক উপহনগদবনি। করিগুম্বা মাস্ক য়াওরক্তনা লাইগী কম্মিটিনা থৌরাং তৌদুনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ। হরাওবগী মতম য়ারিবমখে তেনশিন্নবা হোৎনগদবনি। খুদোংথিবা মায়োক্ন দ্রিঙৌদা মীপুম খূদিংমক্না চেকশিনহৌবা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।
...মখা লামায় ৩ কলম ২

## ষ্টেট কোভিদ টাস্ক ফোর্স অমসুং ষ্টিয়ারিং কম্মিটিনা কোভিদ-১৯গী ফীভম খন্নখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস):
মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেশ কুমারনা চেয়র লৌদুনা হৌখিবা এপ্রিল ১দা ওল্ড সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা ষ্টেট কোভিদ টাস্ক ফোর্স অমসুং ষ্টেট ষ্টিয়ারিং কম্মিটিগী মীফম পাঙথোক্লুনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভমগী মতাংদা খন্নখ্রে।

হীরমসিগা মরী লৈননা ফংবা পাউনা হায়, চীফ সেক্রেটরিনা চেয়র লৌদুনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুখাংদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নারশিংসু শরুক য়াখি। মীফম অদুদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা অনৌবা কোভিদকী কেস কয়া এলামিং ওইবা মওংদা হেনগৎলকখিবা অসিগী মতাংদসু কুপ্না খন্নখি। লোয়ননা ষ্টেট ইম্যুনাইজেসন ওফিসরনা পৱার পোইন্ট প্রজেন্টেসন পীদুনা ষ্টেট অসিদা হৌজিক হৌজিক চথুরিবা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী ষ্টেটস অদু দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা শুগায়না থমখি।

পৱার পোইন্ট প্রজেন্টেসন পীখিবা অদুদা কুমজা ২০২০গী ওক্টোবর থাদা মণিপুরদা অনৌবা কেস ৭৬৩৯ থেংনখি হায়বা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা কুমজা ২০২১গী মার্চ থাদা অনৌবা কেস ১২৬ খক থেংনদুনা কেস থেংনবগী চাং খঙহন হন্থরকখি। টেষ্ট তৌবগী চাংসু নেসনল এভরেজদগী মণিপুরনা চাং ৱাংলি অমদি লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবগী চাংসু নেসনলগী থাক্তগী মণিপুর নেম্মী। লোয়ননা মার্চ ২২দগী মার্চ ৩১ ফাওবদা নৌনা থেংনখিবা কেস ৬৫গী মনুংদা ২৪দি হায় রিস্ক ষ্টেটশিংদগী ফ্লাইট তোংদুনা লাকপা পেসেঞ্জরশিংনি হায়বা ৱাফমসু থমখি।

ৱাফমশিং অসি কুপ্না খন্নরবা তুংদা মীফম অদুনা তোঙান-তোঙানবা থবক থৌরম অমসু পায়খৎননবা ৱারেপ্পখি। ৱারেপশিং অদুগী অহানবদা ভেক্সিন কাপত্রিবা হেল্থকেয়র ৱর্করশিং অমদি ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিং অথুবা মতমদা কাপথোকহন্ননবগীদমক কোভিদ ভেক্সিনেসনগী দিষ্ট্রিক্ট টাস্ক ফোর্সকী মীফম নুংতিগী পাঙথোকপা, হায়রিবা ৱাফম অসি থবক্তা ওন্থোক্ননবা দি সীশিংনা য়েংশিনবা, অনীশুবদা ভেক্সিন কাপত্রিবা হেল্থকেয়র
...মখা লামায় ৩ কলম ৩






# খ্বাইদগী চাং ৱাংনা পুং ২৪দা অনৌবা কেস ১,০৩,৫৫৮ হেনগৎলকখ্রে

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী চাং ৱাংবা মওংদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ১,০৩,৫৫৮ হেনগৎলকখ্রে। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মীওই ৪৭৮ লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে।

হৌজিক হৌজিক এক্টিভ কেস লাখ ৭.৪১ হেনখিবগা লোয়ননা শিখিবা মীশিং পুন্না লাখ ১.৬৫ হেনখ্রে। লৌনগনবা লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ময়াই তাংবল লৌদুনা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা খ্বাইদগী চাং ৱাংবা মওংদা অনৌবা কেস লাখ ১ হেনগৎলকখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসতগী ফংবা রিপোর্ট অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, লৈবাক অসিগী মফম পুম্নমক্তা মীপুম খূদিংমক কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) ঙাক্না চৎনহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। মীয়াম তীনবা মফমদা থোরকপদা মীপুম খূদিংমক ফেস মাস্ক উপহনবগা লোয়ননা খুৎ-শা তোয়না হাম্বা অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাক্না চৎহন্নবা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি। অনৌবা কেস মশীং কা হেন্না য়ামখৎলকখিবা মহারাষ্ট্র, পঞ্জাব অমদি ছটিসগড়নচিংবা ষ্টেট খরদা পব্লিক হেল্থ স্পেসলিষ্ট অমদি ক্লিনিসিয়নশিং য়াওবা সেন্ট্রেল টিম কয়ামরুম থানবা থৌরাং লৌখৎখ্রে।

চৈরকসিদা লৈবাক্কী কোনুং দেল্লীগী ওইনা হৌখিবা পুং ২৪দা অনৌবা কেস ৪,০৩৩ হেনগৎলকপগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা লায়না-লাইচৎ অসিগী অপূনবা কেস মশীং ৬,৭৬,৪১৪ য়ৌখ্রে। হৌখিবা পুং ২৪দা মীওই ২১ শিখিবগা লোয়ননা লাইচৎ অসিনা
...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## হেল্থকী এদভাইজর টু সী এম ডা. সাপম রঞ্জন ভেক্সিন কাপখ্রে

### মীওই ১০৩৯ টেষ্ট তৌবদা ৫ পোজিটিভ ওইখি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস):
এদভাইজর টু সী এম (হেল্থ) ডা. সাপম রঞ্জন ঙসি জৱাহরলাল হেনরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) হোস্পিটালদা ঙসি কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপখ্রে।

মণিপুরগী লেজিসলেচরশিংগী মরক্তা এম এল এ ডা. সাপম রঞ্জননা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্পা ২শুবা লেজিসলেচরনি। লেজিসলেচরশিংগী মরক্তা অহানবা ওইনা হৌখিবা মার্চ ২০দা মণিপুর ইন্দষ্ট্রিএল দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (মনিদকো)গী চেয়রমেনসু ওইরিবা হিয়াংলম এ সীগী এম এল এ ডা. ৱাই রাধেশ্যামনা জেনিমস হোস্পিটালদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপখিবনি। কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পবা তুংদা এদভাইজর টু সী এম (হেল্থ) ডা. সাপম রঞ্জননা হায়খি, লৈবাক অসিদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ লাক্লে। মরম অসিনা মণিপুরদসু চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌদ্রবদি লায়না-লাইচৎ অসিগী অনীশুবা ৱেভ অসি লাক্তুনা অৱাবা মায়োক্ন রকপা য়াই। মরম অসিনা মীপুম খূদিংমক্না চেকশিনমিন্নবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই। মসিগীদমক লৈঙাক্না লাউথোক্লিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎপীয়ু। অমরোমদা হৌজিক কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী দ্রাইভসু ষ্টেট অসিদা
...মখা লামায় ৩ কলম ২

# জুন ২৫ ফাওবগী মনুংদা এ দি সী মীখল পাঙথোক্লনবা ৱারেপ লৌখ্রে

## অটসুমনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈঙাক্কী ওফিসশিং থিংবগী খোঙজংদি হন্দোক্ত্রি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস):
কুমজা ২০২১গী জুন ২৫ ফাওবগী মনুংদা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল (এ দি সী)গী মীখল পাঙথোক্লনবা লৈঙাক্না ৱারেপ লৌখ্রে। অদুমকপু এ দি সী মীখল পাঙথোকপগী মতম থেংথহনবা অমদি নোটিফিকেসন থোক্তবগী মায়োক্তা ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (অটসুম)না চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ঙসিদগী হৌদুনা লৈঙাক্কী ওফিসশিং থিংজিনবগী খোঙজংদি হন্দোকপা লৈত্রি।




মণিপুর লৈঙাক্কী এদিসনল চীফ সেক্রেটরি (টি এ এন্দ হিলস) লেটখোগিন হাওকিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (অটসুম) অমসুং দিমান্দ কম্মিটি ফোর ক্রিএসন ওফ এ দি সিগী মীহুৎশিংগা লোয়ননা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী মীখলগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিদা ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী টি এ এন্দ হিলসকী মিনিষ্টর বুংজাগিন বালটে, পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর লোসি দিখো, হিল এরিয়া কম্মিটিগী চেয়রমেন কে লৈসিও অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলসকী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি। মীফম অদু লোইরবা তুংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা এ দি সী মীখল অসি কুমজা ২০২১গী জুন ২৫ নৎত্রগা মসিগী মমাঙদা পাঙথোক্লনবা ৱারেপ লৌরে হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।
...মখা লামায় ৩ কলম ৭

### নারেংবম সমরজিৎনা য়াইফরে হায়দুনা লাউরুবগী মায়োক্তা কেস

## কোর্টনা মীওই ২ জেলদা থাজিল্লগা ৭না বেলদা থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস):
মমাঙ থাগী ২৫গী অঙনবা অয়ুক্তা দেল্লীগী ইন্দিরা গান্ধী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী মফম অমদগী নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ)না ফারগা থা অদুমক্কী ২৯দা ইম্ফালদা পুরক্তুনা নুমীৎতুগী নুংথিল পুং ২.১৪ তারকপদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবদা 'সমরজিৎনা য়াইফরে', 'লোং লিভ সমরজিৎ' অমসুং 'কংলৈপাক্না য়াইফরে' হায়দুনা লাউরুবা থৌদোক্কী মায়োক্তা পুলিসনা লৌখৎখিবা কেসকা মরী লৈননা ফাগৎখিবা অপূনবা মীওই ৯গী মনুংদা ২ কোর্টনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবগা লোয়ননা লেমহৌরিবা মীওই ৭পুনা বেলদা থাদোকখ্রে।

ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেসকী এফ আই আর নম্বরনা- ৫৭(৩)২০২১নি। কেস অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন-১২৪-এ, ১৫৩-এ (বি), ৩৫৩, ৫০৫(১)(বি) অমসুং ৩৪গী মখাদা লৌখৎপনি। শিংজমৈ পুলিস
...মখা লামায় ৩ কলম ৬

### থৌনাওজম শ্যামকুমারগী মথক্তা ফাইল তৌরক্লম্বা ইলেক্সন পিটিসন

# হায় কোর্টনা দিসমিস তৌখিবা ওর্দরগী মায়োক্তা ডা: নিমাইচান্দ লুৱাংনা সুপ্রীম কোর্টতা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস):
কুমজা ২০১৭গী মার্চ থাদা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেম্বলী ইলেক্সনদা ৭-অন্দ্রো এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিদগী কোংগ্রেসকী টিকেটতা রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরকখিবা থৌনাওজম শ্যামকুমার (৪৯), অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ বিনোয়কুমার, য়াইরিপোক য়াম্বেম মথক লৈকায়দা লৈবগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসনবু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা চহী ৪ রোম চঙনা ৱায়েল চথুরক্লগা দিসমিস



তৌখিবগী মায়োক্তা ডা: নিমাইচান্দ লুৱাং (৭২), অপোকপা লৈখিদ্রবা নহাকপম থম্বৌ, য়াইরিপোক



য়াম্বেমদা লৈবনা পিটিস্নর ওইদুনা হায় কোর্টকী ওর্দর অদুগী মায়োক্তা সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ৱাকৎখ্রে।

হৌজিক্না এক্স-এম এল এ ওইরবা টি ঐচ শ্যামকুমারগী মথক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অদুগী নম্বর- ৪ ওফ ২০১৭নি। ইলেক্সন পিটিসন অসি পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা এক্স-এম এল এ অসিগা লম্বা তৌনখিবা বি জে পিগী মীরেপ ডা: নিমাইচান্দ লুৱাংনা পিটিস্নর ওইদুনা মীখল অদুগী রিজল্ট লাউথোকপগা পন্থদনা ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিস্নর অসিনা মহাক্কী ইলেক্সন পিটিসন
...মখা লামায় ৩ কলম ২


HL-B/6873/24/3-25/4

